## মিলিটরি সোল্যুসন য়ারোই

রোম, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
লিবিয়াগী সিভিল ৱার অসি মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা লেপহনবা য়ারোই হায়না ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্টর লুইগি দি মাইওনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না ৱাফম অসি ত্রিপোলিগী খোঙচৎ অমদা নোর্থ অফ্রিকাগী লৈবাক অদুগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অহমদ মাইতিগকা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

ত্রিপোলি পায়শিন্নবা হোৎনবগী শাথিরবা লান অমা হৌখিবা এপ্রিলগী অঙনবা শরুক্তগী মালেম্না শকখঙবা য়ুনিটি গভর্নমেন্ট শৌগৎপা মিলিস্যাশিং অমসুং ইষ্টর্ন ৱারলোর্দ খালিফা হাফটরগী ফোর্সশিংগী মরক্তা শোক্নরকখিবনি।

## মিলিটেন্ট ২৫ হাৎখ্রে

কানধাহর, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী খা থংবা কানধাহর প্রোভিন্সতা চথুরিবা মিলিটেন্টশিং তকথোকপগী ওপরেসনশিংদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা য়ামদ্রবদা মিলিটেন্ট ২৫ হাৎখ্রে হায়না আর্মি ষ্টেটমেন্টনা হায়রি।

## য়ু এস ট্রুপশিং থম্বদা সিওলনা পুথোক্কদবা শেনফমগী মতাংদা ৱাশিংটন অমদি সিওল য়ানবা পুরকপা ঙমখিদরে




সিওল, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী ট্রুপ ২৮,৫০০ রোম সাউথ কোরিয়াদা থম্বদা চঙগদবা চাদিংগী শেনফমগা মরী লৈননা সিওলনা পীগদবা কন্ট্রিব্যুসনগী মতাংদা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদবগা লোয়নননা হৌজিক লৈরিবা মখোয়গী দিল দিসেম্বর ৩১ দা লোইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা নাকল অনীনা ইকোন কোন্না শানখিবা নুমিৎ নিনিগী ৱারী লোইশিনখ্রে।

ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী চহী অমদা দোলর বিলিয়ন ৫ ফাওগী শেনফম দিমান্দ তৌরি হায়না পল্লদুনা সাউথ কোরিয়াগী লোমেকশিংনা হায়, ৱাশিংটন্না হায়রিবা শেনফম অসি সিওলনা চহী অসিদা পীগনি হায়না য়াখিবা শেনফম অদুদগী শরুক মঙা হেল্লি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা 'অমেরিকা ফার্ষ্ট' হায়বা মহাক্কী পোলিসিগী শরুক ওইনা নাটোগী মেম্বরশিং অমসুং জপান য়াওনা য়ু এসকা মীচং ওইনবা লৈবাক কয়াদা দিফেন্সকা মরী লৈননা অহেনবা শেনফমশিং পুথোক্কবা দিমান্দ তৌরিবনি। মহাক্না সাউথ কোরিয়াবু য়ু এস মিলিটরি ফোর্সশিং থম্বদগী শেন্দোং তানবা ঙমদুনা ইনাক খুনবা লৈবাক অমা ওইরিবনি হায়না তোয়না ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

কুমজা ১৯৫০-১৯৫৩গী কোরিয়াগী লানগী লিগেসি অমা ওইনা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী লেপ্তুনা কিহল্লকপা লৈবনা মরম ওইদুনা সাউথ কোরিয়াদা য়ু এস মিলিটরি ফোর্সশিং থল্লিবনি।

করিগুম্বা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরকপা ঙমদবা তারবদি মদুনা মতুং তারকপদা সাউথ কোরিয়াদা মখা তানা য়ু এস ফোর্সশিং থম্বগী ৱাফম অসি লুশিনহল্লকপা য়াই হায়না য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়া অনীমক্কী এক্সপার্ট খরনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

## পকিস্তান্দা খুৎলায় পায়বশিংনা পোলিও ভেক্সিনেটরশিং ঙাক শেল্লিবা পুলিস পর্সনেল ২ কাপ্পুনা হাৎখ্রে



পেসৱার, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টানগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমগী দিষ্ট্রিক্ট অমদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা খুৎলায় পায়বশিংনা পোলিও ভেক্সিনেসন টিম অমা ঙাক শেল্লিবা পুলিস ওফিসর অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়নননা লায়না অসিগী কেস মশিং য়ামখৎলক্লিবা মফম অদুদা পায়খৎলিবা ইম্ম্যুনাইজেসন কেম্পেন লেপখ্রে হায়রি।

মমাংদা লাইনিং লাইশোলদা হকচিনবা ৱাখল্লোন চেনবা মীওইশিংনা ইথিল পীবদগী অমসুং অরানবা তোকঙাশিং শন্দোকপনা মরম ওইদুনা পোলিও ভেক্সিনেসন টিম নৎত্রগা মখোয়বু ঙাক শেল্লিবা পুলিস পর্সনেলশিংদা এটেক কয়া চথুখ্রবনি। ইনৌ নৌনা পোলিও ভেক্সিনেসন টিম অমদা খুৎ থাবগী থৌদোক অসি পাকিষ্টানদা হৌখিবা চহী অমগী মতমগী মনুংদা পোলিও কেসশিংগী মশিং ১২ দগী ১০০গী মথক্তা হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা থোরক্লিবনি। হৌজিক লৈবাক অসি লায়না অসিগী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা মালেমগী লৈবাক অহুমগী মনুংদা অমা ওইরি। লৱার দির দিষ্ট্রিক্টতা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

## মুস্লিম লিদরশিং মালেসিয়াগী কেপিটেলদা পুনখ্রে



কুলা লম্পুর, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
মালেমদা মুস্লিমশিংনা মায়োক্নরিবা ইশ্যু কয়াগী মতাংদা খন্নবগীদমক্তা মুস্লিম লৈবাক ২০ লোমগী লিদরশিং অমসুং সিনিয়র রিপ্রজেন্টেটিভশিং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মালেসিগী কেপিটেল কুলা লম্পুরদা থোমজিন্নখ্রে।

সাউদি অরাবিয়াগী ওইনদি সম্মিট অদুদা য়াওদনবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়নননা পাকিষ্টানসু মদুদা য়াওদনবা অরোইবা মীৎকুপ্তা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

কুলা লম্পুরগী সম্মিট অদুগী এজেন্দা ফোঙখিদ্রবসু মদুদা মতম শাংলক্লবা কাশ্মির অমসুং মিদল ইষ্টকী দিসপ্যুটশিং, সিরিয়া অমসুং য়েমেনদা থোক্লিবা কনফ্লিক্টশিং, ম্যান্মারগী রোহিঞ্জা মাইনোরিটিনা মায়োক্নরিবা অৱাবা ফিভমশিং অমদি উইঘুর মুস্লিমশিংগীমক্তা চাইনানা লৈবাক অসিগী প্রোভিন্স সীঞ্জাংদা থল্লিবা কেম্পশিংগী মতাংদা মালেম পুম্বনা ঙাঙনরিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্নরবা য়াই হায়না থাজনরি।

মখোয়না মালেমদা ইস্লামিক লাইনিং চৎপশিংবু হঙ্গোই-তুক্নচ্চনবগী ৱাখল্লোন অমা শন্দোরকপগী ফিভম অমা লৈরিবসি করম্না থেংনগদগে হায়বগী মতাংদসু খন্নরবা য়াই হায়রি।

মালেমগী মুস্লিম লুচিংবশিংগী মনুংদা ৱা ঙাঙবদা খ্বাইদগী হেন্না অফা-অপুন্নবা থমদবনি হায়নরিবা লুচিংবা অনী মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মহাথির মোহমদ অমসুং টর্কিগী প্রসিদেন্ট তয়িপ ইর্দোগান্না নুমিৎ মরিনিগী সম্মিট অদুদা মখোয়গী ওইবা মোৎশিং ইশ্যু কয়াগা মরী লৈননা ফোঙদোক্কনি।

সম্মিট অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱেলকম দিন্নর অমগা লোয়নননা হৌরগা নোংমাইজিং নুমিত্তা লোইশিনগনি। মহাথির অমসুং ইর্দোগানগা লোয়নননা সম্মিট অদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান মদুদা শরুক য়াদনবা মতম থেংনা ৱারেপ লৌখিবনি।

## চাইনিজ লিদর সী জিনপিং গেমব্লিং হব মাকাও য়ৌখ্রে



মাকাও, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
চাইনাদা মাকাও শীন্নখিবগী ২০ শুবা কুমওন নুমিৎকী থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মাকাওদা থুংখ্রে।

নক্নুনা লৈবা হোং কোংদা অকনবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংনা মরম ওইদুনা কাং খোং চাইবগী ফিভম অমদা লৈরিঙৈদা মাকাওদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিবা চাইনিজ প্রসিদেন্ট অসিনা চাইনিজ লৈঙাক্তা থাজবা থম্বগা লোয়নননা তং তাবা ফিভম অমা লৈহনবা ঙম্বগী রিৱার্দ ওইনা মাকাওগীদমক্তা ইকনমিক পেকেজ অমা লাউথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

গেমব্লিং হব অসিদা মরু ওইনা হোং কোংদগী থুংলবা মীওইশিংগী য়েংলগা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎহনখি। প্রসিদেন্ট সীনা লাউথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা পোলিসিশিংগী মনুংদা হান্নগী পোর্ত্যুগিজ কোলোনি অসিগী ইকনমি বেজ কেসিনোশিংদগী হেন্দোক্তুনা মখল মখাগী শেল-থুমগী থৌরাং কয়া য়াওগনি হায়রি।

মাকাওবু তুংদা চাওখৎপা লমদম অমা শোয়দনা ওইহন্নবগী ব্লুপ্রিন্ট অমা য়াৎননবা ঐখোয়না খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নরগনি হায়না প্রসিদেন্ট সীনা মাকাও এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

সীগী থৌরাংশিংগী মনুংদা মাকাওবু অনৌবা য়ুৱান্না দিনোমিনেসন ওইবা ষ্টোক এক্সচেঞ্জ অমা য়াওনা ফাইনান্সিএল সেন্টর অমা ওইহন্নবগী থৌরাং শোয়দনা য়াওগনি হায়না থাজনরি।

মাকাওদা চৎপা প্রসিদেন্ট সীগী খ্বাইদগী শাংবা ওফিসল খোঙচৎ ওইগদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা মহাক্না গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিং অমসুং বিজিনেস রিপ্রজেন্টেটিভশিংগা উনবগা লোয়নননা ইরাই নুমিত্তা মাকাওগী নৌনা খল্লবা বৈজিংনা শৌগৎপা লিদর হো ঈয়াৎ-সেংগী ৱাশক লৌবগী থৌরমদসু শরুক য়াগনি হায়রি। মাকাও অসি চাইনানা হোং কোং লৈঙাকপগী ফিভমগা মান্ননা ৱান কন্ট্রি টু সিষ্টেমস ফোরম্যুলা অসিগা লোয়নননা কুমজা ১৯৯৯গী দিসেম্বর ২০ দা চাইনিজ লৈঙাক্তা হল্লকখিবনি।

## বি আর আইনা কনেক্তিভিটিগী অনৌবা তাঙ্কক অমা লাকহল্লগনি




ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
চাইনানা প্রপোজ তৌরিবা বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিএটিভ (বি আর আই)না কনেক্তিভিটিগী অনৌবা তাঙ্কক অমা লাকহল্লগনি হায়না পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিংগা মরী লৈনবা স্পেসল এসিষ্টেন্ট ফির্দৌস অসিক অৱান্না ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামাবাদতা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বেল্ট এন্দ রোদ পার্টনরশিংগী মরক্তা পাঙথোকপা ক্রোস-রিজনেল মিদিয়া ফ্যুজনগী সিমিনর অমদা ৱা ঙাঙখিবা অৱান্না বি আর আইগী মখাদা মমাংঙৈগী সিল্ক রোদ অমুক হিংগৎহনগদৌরিবা অসিনা চাওখৎপদা থাজবগী অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পুকহনবগা লোয়নননা কনেক্তিভিটিগী অনৌবা তাঙ্কক অমা লাকহল্লগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা সিল্ক রোদকী অকোয়বদা অমদি মসিদগী হেনবা মফমশিংদা সোসল অমসুং শেল-থুমগী ফিভম বি আর আইগী খুত্থাংদা ফগৎহনবা পাম্মী। বি আর আইগী মখাদা পায়খৎপা ফ্লেগসিপ প্রোজেক্ট অমা ওইরিবা চাইনা-পাকিষ্টান ইকনমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী)গী মতাংদা পল্লদুনা ওফিসল অসিনা হায়খি মদুদি, খ্বাইদগী হেন্না ট্রান্সপরেন্সি লৈবা অমসুং মহয় য়ানগদবা মওংদা সী পি ঈ সীগী বিল্ডিং ব্লোকশিং ইষ্টোল তৌরিবনি। সী পি ঈ সীনা জিও-ইকনমিক লেন্দস্কেপতা অনৌবা শক্তম অমা লাকহল্লি অমসুং মসিনা পাকিষ্টানদা নত্তনা লমদম অপুম্বা অসিদা চাওখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফগী তাঙ্কক অমা পুরক্লগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা পাকিষ্টানদা লৈরিবা চাইনিজ এম্বেসিগী মিনিষ্টর কাউন্সিলর পাং চুংসু হায়খি মদুদি, বি আর আই হৌদোকখিবা চহী ৬ ফারকপগা লোয়নননা মসি ইন্টরনেসনল কম্ম্যুনিটিনা কন্না শৌগৎনরক্লি অমসুং সী পি ঈ সীনা পাকিষ্টানগী মীয়ামদা হকথেংননা অমসুং নাকোয়নননা শীংথানিঙাই ওইবা চাংদা থবক ফংহল্লে।

সী পি ঈ সীনা পাকিষ্টানদা পুরক্লিবা থাঙ্গৈশেংবা অহোংবশিং খঙনবগীদমক্তগা চাইনাগা কোওপরেসন পীনবদগী পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইনা অহোংবা লাক্লবা থ্বাদর য়াওনা মফম কয়াদা চত্তুনা তশেংনা লৈরিবা ফিভমশিং অদু য়েংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পাকিষ্টনগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিদা দিরেক্টর জেনরেল চাইনাগী ফম ফায়রিবা মুদাসির তিপুনা ফোঙদোকখি।

## শ্রিলঙ্কাদা মীগা শামুগা য়েংথিনবদা শামু ৩৬০, মী ১০০ শিখ্রে



কলম্বো, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
শ্রিলঙ্কাদা মীওইবা অমসুং শামুগী মরক্তা মতম শাংনা য়েংথিনদুনা লাকখিবগী ৱারীদা চহী অসিগী ওইনা দিসেম্বর থাখায় ফাওবগী মনুংদা শামু ৩৬০ অমদি মী ১০০ শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ৱাইল্ড লাইফ দিপার্টমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাইল্ডলাইফ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়, মীওইবগা শামুগা মুক্নবগী ফিভম য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবা হোৎনবা ওইনা ৱাইল্ডলাইফ দিপার্টমেন্টনা গভর্নমেন্টকা খুৎশম্নরগা শামুগী লৈফমশিংগী অকোয়বদা শম্বল খাদুনা মখোয়বু মীওইবগী লৈফমশিংদা চঙহন্দনবা হোৎনরি।

ওফিসলশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মী অমসুং শামু শিবগী চাং য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবগীদমক্তা অতৈ থৌরাং কয়াসু পায়খৎপা হৌরে। শামুগা মীগা মুক্নবদা চহী অসিদা শিখিবা মী অমসুং শামু মশিং অসি মমাংগী চহীশিংদগী হেনখি হায়না মখোয়না মখা তাখি।

খ্বাইদগী নৌবা অৱাবা মীশিগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা শ্রিলঙ্কাগী খা থংবা লমদমগী মতালেদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱাইল্ডলাইফ দিপার্টমেন্টকী ওফিসর অমা শামু অমনা হাৎখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

মাইত্রি মদুসন কৌবা মীওই অদু ফোরেষ্ট রিজার্ভ এরিয়াদা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা লাক্ল বদা ৱারবা শামু অমনা হাৎখিবনি হায়রি। শামুশিংদা শোকহন্নবা নৎত্রগা চৈথেং পীনবগী পান্দমগা লোয়নননা মখোয়গী চাকতাফম অমদি লৈফমশিংদা চঙলম্বা মীওই খুদিংমক্কী মথক্তা অকনবা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়নসু শ্রিলঙ্কান ওথোরিটিশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়রি।

## ইম্পীচমেন্ট দেমোক্রেসিগী মায়োক্তা লান লাউথোকপনি

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লেটর অমা ইখিবগা লোয়নননা অমেরিকাগী হেদ ওফ ষ্টেটকী মায়োক্তা কৃ অমা পাঙথোক্তুনা অমেরিকান দিমোক্রেসিদা চৈথেং চাওনা পীনবা হোৎনরি হায়না হাউস স্পীকর নেন্সি পেলোসি অমসুং দেমোক্রেটিক ওপোজিসনবু কন্না চৈ থাংখ্রে।

ইফে ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ট্রম্পনা মহাক্কী মায়োক্তা চথুরিবা ইনক্কাইরি পুম্বা অমেরিকান দেমোক্রেসিগী মায়োক্তা লান লাউথোকপগী থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নননা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী স্পীকর নেন্সি পেলোসিদা ইম্পীচমেন্টকী খোঙথাং খুদক্তা লেপ্পনবা দিমান্দ তৌখি। লোগী মীৎয়েংদা চৎনবা য়ারোইদবা ইম্পীচমেন্টকী প্রোসিদিংস অসি চথুদুনা নখোয়না ওফিস পায়বা মতমদা শকখিবা ৱাশকশিং খোঙ্গাওনবগা লোয়নননা কন্সটিট্যুসনগী ময়োক্তা থবক তৌরি অমসুং অমেরিকান দেমোক্রেসিদা ফোঙনা লান লাউথোক্লি হায়না ট্রম্পনা পেলোসিদা ইখিবা লেটর অদুদা পনখি।

## কম্পেন্সেসন তানখিবা জপানিজ জর্নেলিষ্টকী কেস মায় পাকখ্রে




টৌকিয়ো, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
জপানিজ জর্নেলিষ্ট সিওরি ইতোনা মশক নাইবা লৈবাক অসিগী রিপোর্টর অমদগী কম্পেন্সেসনগী শেনফম তাল্লদুনা থাখিবা সিভিল লোসুট অমা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মায় পাকখ্রে।


মহাক্না সিভিল লোসুট অদু মহাকপু রেপ তৌখি হায়রিবা মশক নাইবা রিপোর্টর অদুগী মায়োক্তা ফাইল তৌখিবনি। কোর্টকী ৱায়েল অদুবু সেক্সচ্যুএল এসোল্টকী ভিক্তিম কয়া তুমিন্না লৈনবগী মওং উরিবা লৈবাক অসিগী নুপীগী রাইটশিং কন্নবা হোৎনরিবা কাওবুশিংনা তরাম্না ওকখি।

মি টু মুভমেন্টগা মরী লৈননা জপানগী মশক নাইরবা মীশক অমা ওইরকখিবা ফ্রীলেন্স জর্নেলিষ্ট ইতোদা কম্পেন্সেসনগী শেনফম ওইনা য়েন মিলিয়ন ৩.৩ (দোলর ৩০,৩৭৫) পীননবা টোকিয়োগী কোর্ট অমনা টেলিভিজন জর্নেলিষ্ট নোরিয়ুকি য়ামাগুচিদা ওর্দর তৌখি।

ৱায়েল লাউথোক্লবা মতুংদা কোর্ট অদুগী মপান্দা রিপোর্টরশিং অমসুং সপোর্টরশিংদা মেগাফোন অমা শীজিন্নদুনা ৱা ঙাঙখিবা ইতো ইমোসন্না থুমহৎখিবদগী ৱা ঙাঙবদা মরক মরক্তা লেপখি। মশাগী চহী ৩০ শুরবী ইতোনা টেলিভিজন জর্নেলিষ্ট য়ামাগুচিগী মায়োক্তা মঙোন্দা চৈথেং নংহনখিবা অদুগীদমক্তা য়েন মিলিয়ন ১১গী পীননবা সিভিল লোসুট অদু ফাইল তৌখিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা ইতোনা ৱাখল তাদনা লৈরিঙৈ মনুংদা য়ামাগুচিনা মহাকপু রেপ তৌখি হায়না জর্নেলিষ্ট নুপী অসিনা পুলিসতা ৱাকৎখিবা মতুংদা প্রোসিক্যুটরশিংনা য়ামাগুচিবু হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীবগী খোঙথাং লৌখৎখিদবনি। কুমজা ২০১৭ দা ইতোনা ইফোং ফোংনা প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেগী মরমদা মখল মখা কয়াগী রিপোর্টশিং শন্দোকখিবগীদমক্তা মমিং চৎলবা সিনিয়র টেলিভিজন জর্নেলিষ্ট অমা ওইরিবা য়ামাগুচিনা মহাকপু রেপ তৌখি হায়না ফোঙদোকখিবদা লৈবাক পুম্বনা ঙক্লখিবনি। য়ামাগুচিগী মায়কৈদগী থাঙ্গৎলকখিবা কাউন্টর-সুট অমগী মায়োক্তসু কোর্টনা রুলিং পীখি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ / খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাকৎচরগা খাংবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদা ঈ তৈরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা হকচাং নুংঙাইতবা, খ্বাং নাবা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খূৎনা ইনখৎপা, ফম্বা মতমদসু নাম্থবা, চৎপা মতমদসু নাম্থরগা শৌজ অদুদগী মচুম তারক্লগা খোঙদা চুবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, মতম খরা লৈরগা হান্না পোমথোক্লগা লৈবা অদুগী মনাক্তা মচা অমা অমুক পোমথোরকপা, নৌনা পোমথোরকপা অদু শোকপদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বগী শংবা মতমদা অমাংথোঙ মপান্দু চেকখায়রকপা, খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম মরূ-মরূ হাস্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদা খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা ফুরিগুম্বা অমা তংলগা লৈবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচরগা খাংবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদা ঈ তৈরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, কাময়া অনীমক চিকপা-নাবা, চাবা থকপা য়াদবা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5344/19 থাগৎচরিবা : **M. Raghu Meitei,** Bamon Kampu

**SCIENCE TUITION CENTRE**
**KWAKEITHEL HAOROKCHAMBI**

**Foundation Course for Class - X (BOSEM)**
**Class Commencing on 20th December**
**Revision Course for Class - X (BOSEM)**
**Class Commencing on 18th December**

**Note :** সাইন্স ট্যুসন সেন্টরগী পান্দমদি অশোনবা মহৈরোয়শিংগী স্পেসল ক্যের লৌবা অমদি হায়েষ্ট স্কোরিং মার্ক ফংনবনি।
HL-P/5533/19 ***Contact : 9774710619***

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : KUMBI, MANIPUR**

**Ref :- Mut Case No. 808/SDC/Kumbi 18/12/2019**
1) Naorem Mangoljao Singh S/o (L) N. Yaima Singh of Khoijumantabi.
2) Naorem Khamba Singh S/o (L) N. Yaima Singh of -do- ...*Petitioners*
-Vrs-
(Late) Naorem Yaima Singh S/o (L) N. Chaoba Singh of Khoijumantabi.
-Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kumbi, the 18th December, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯২ - চাইরেলদা লৈবা পাট্টা নং ১৩০ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১০০৭, এরিয়া ১.২৮ একর চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা পিটিস্নর ২ দা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথুগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

HL-P/5535/19 ***Sd/-*** **Sub-Deputy Collector, Kumbi**